ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur



লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায়গী মৈরা পায়বীশিংনা য়ু এফ ওগী মখাদা হাংবা নোংপোক পানা তেঙ্গোল লাকপা লোয়শঙগী মীতৈ লাল্লোইশিংদা চান-থক্রুবা পোৎলমশিং মতেং পাংখিবা

থম্মোয় পাউদম : সী এমগী জিরি খোঙচৎ ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ লান মনুংসিদা ওইরিবা মণিপুরগী লৌউ কৈথেল
মহৌশাগী ওইবা খুদোংথীবা লাকপদা শা-ষণশিং শেন্নবা ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ চহীসিনা লোইদ্রিঙৈদা ফোক ম্যুজিক্কী সেমিনার ...
ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিনশিং অসি ব্লেক বোক্সকা চপ... ☛ লামায় ৮
লামায় ১২ ☛ এফ সী কুম্বীনা পোইন্ট ১৩ ফংলগা ৱিন্নর ওইখ্রে

মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা শিন্দুনা লমশাংগী ইন্টরনেসনল সলাই পূসিফমগী য়োইরেনশঙদা চথরকখিবা ফোক অমসুং ত্রেদিসনেল ম্যুজিক ফেষ্টিবেলগী অরোইবা নুমিৎতা মোইরাংসাই শকখিবা




Vol. 48, Issue No. 076 | নিংথৌকাবা, ইঙাগী ১০নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, June 17, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

# লো এন্দ ওর্দর ঙাক্নবা হোম মিনিষ্ট্রিগী পাউতাক্তগী মণিপুরগী মফম ৫৫দা সী এ পি এফ কম্পেনি ৫০ থম্নবা প্রি ফেব্রিকেটেদ ষ্ট্রকচরশিং শাগৎপা হৌরে

**ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচএনএস) :** মমাঙ চহী ২০২৩গী মে ৩দগী কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈদা অতম্নরা ওনশিন্দুনা চথরক্লিবা তমথীরবা লান অসি মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্কা ৱারোইশিন অমা পুরক্তুনা লোইশিন্নবা অকনবা থবকশিং পায়খৎলি হায়বগা লোয়ননা থবক থৌরম খরা পায়খৎলক্লবসু হৌজিক ফাওবদা লান অসি লোইশিন্দবগা লোয়ননা মণিপুরদা দিপ্লোই তৌরক্লিবা সেন্ত্রেল ফোর্সশিংগী মনুংদগী খরনা নাকল অমগী মীচং চঙদুনা অচান-মীরাই নাইরে হায়বা ৱাফম মণিপুরগী মীয়াম মরু ওইনা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মীওইশিংনা ফোঙদোক্তুনা লাক্লিবনা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রস (এম ঐচ এ) না মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দর ঙাক্নবগীদমক ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম ৫৫দা সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ) কী কম্পেনি ৫০ থম্নবগীদমক প্রি ফেব্রিকেটেদ ষ্ট্রকচরশিং শাগৎহল্লক্লিবসিনা লো এন্দ ওর্দর ঙাকপা খক নত্তনা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী দিমান্দদা মতেং ওইখিগদ্রা হায়বগী ৱাহংশিং হংনরক্লে।

পাউচে অসিনা থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়বদা সী এ পি এফনা কোনশিনবা তোঙান তোঙানবা সেন্ত্রেল ফোর্সশিংগী কম্পেনি ৫০ থম্নবগীদমক মণিপুরগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদগী ১৩ খনগৎলগা দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী মফম ৫৫দা সী এ পি এফকী পর্সনেলশিং অসি থম্নবা প্রি ফেব্রিকেটেদ ষ্ট্রকচরশিং শাগৎনবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী মায়কৈদগী মণিপুর লৈঙাক্তা খঙহল্লকখিবনি হায়রি।

সী এ পি এফকী পর্সনেলশিং থম্নবগীদমক শাগদৌরিবা প্রি ফেব্রিকেটেদ ষ্ট্রকচরশিং অসিগী অচঙবা শেনফমশিং মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী সিক্যুরিটি রিলেটেদ এক্সপেন্দিচর (নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন) স্কিমগী মখাদগী পীরকপা হৌখ্রে হায়রি।

শেনফম অসি শীজিন্নদুনা সী এ পি এফকী পর্সনেলশিং দিপ্লোই তৌনবগীদমক প্রি ফেব্রিকেটেদ ষ্ট্রকচরশিং শাগৎকদৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট ১৩ অদুনা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচীং, তেংনৌপল, কাংপোকপী, তমেংলোং, জিরিবাম, চুড়াচান্দপুর, সেনাপতি, নোনে অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতনি হায়রি।

সী এ পি এফ পর্সনেলশিংগী লৈফমশিং অসি ‘কন্সত্রক্সন ওফ প্রি ফেব্রিকেটেদ ষ্ট্রকচরস ফোর সী এ পি এফ কম্পেনিজ, সেঙ্কসন বাই দি মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রস অন্দর এস আর ঈ স্কিম’ কৌবা প্রোজেক্ট অমগী মখাদা শাগৎকদবনি হায়রি।

হায়রিবা ষ্ট্রকচরশিং অসি শানবগী মফমশিং অসি দিসেম্বর ১৯, ২০২৩দা পাঙথোকখিবা রিভিয়ু মীটিং অমনা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা সী এ পি এফকী কম্পেনি ৫০ অসিগী লৈফম চাফম ওইনবগীদমক শাগৎনবা লেপ্পখিবনি। প্রি ফেব্রিকেটেদ ষ্ট্রকচরশিং অসি শাবগী ৱর্ক ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সীনা মণিপুর পুলিস হাউজিং কোর্পোরেসন (এম পি ঐচ সী) না ওইরগা থাঙ্গাল কৈথেলদা লৈবা কন্ত্রেক্টর অমদা শিন্নবনি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ১৩গী মফম ৫৫দা শাগৎকদৌরিবা সী এ পি এফকী কম্পেনি ৫০গী পর্সনেলশিং থম্নবগী প্রি ফেব্রিকেটেদ ষ্ট্রকচরশিং অসিগী মনুংদা খরদি শাগৎপা হৌরে। অদুম ওইনমক হৌজিক ফাওবদদি মশীং শুনা পূন্না শাগৎপগী থবক্তি লোইশিন্দ্রি হায়রি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা ষ্টেট অসিদা থোরক্লিবা তমথীরবা লান অসিবু লাকশিন্নবগীদমক লো এন্দ ওর্দর নীংথিজনা মেন্টেন তৌনবগী পান্দমদা দিষ্ট্রিক্ট ১৩ ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## হোম এফেয়রসকী সিক্যুরিটি রিলেটেদ এক্সপেন্দিচর (এন ঈ) গী মখাদা শাগদবা মফমশিং

**ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট** -থ্বালতাবী, কৈথেলমানবী পোষ্ট, চনুং (য়ুনাক্কো মনাক), লৈতানপোকপী শদু লম্পাক, নোংসুম অৰাং লৈকায় (হেন্দ পম্প মনাক), দোলাইথাবী, **ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট** -কৈথেলমানবী দি এ ভি রিজোর্ট, কদাংবন্দ পার্ট-২, কাংচুপ চীংখোঙ, ফয়েং চীং লৈকায়, কৌত্রুক, সেঞ্জম চিরাং, খোংনাংপোকপী, কংলাতোংবী শান্তিপুর, সেকমাই তুরেল মপাল (ওপোজিট লুৱাংশঙ্গোল, ফাইলেন ভিলেজ), **বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট** -লাংজিং চীংয়া লম্পাক (কুম্বী পি এসকী মনুং চনবা), গামোল (মোইরাং পি এসকী মনুং চনবা), উয়ুংমখোঙ (মোইরাং পি এসকী মনুং চনবা), সেরিকলচর ফার্ম, থুমখোং লোক (বিষ্ণুপুর পি এসকী মনুং চনবা), নম্বোল পি এসকী মনুং চনবা ৱারোইচীং ভি দি এফ পোষ্ট, কুম্বী পি এসকী মনুং চনবা লৈনাংতাবী ভি দি এফ পোষ্ট, এন ঐচ ২ পরিংগী নোংপোক থংবদা লৈবা তোর্ব্বুং এরিয়া দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী গ্রাউন্দ, মোইরাং পি এসকী মনুং চনবা থম্নাপোকপী কষ্টুরবা গান্ধী বিদ্যালয়গী মনাক, বিষ্ণুপুর পি এসকী মনুং চনবা নিংথৌখোং ৱার্দ নম্বর টু শান্তিপুর, **থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট**- নোংপোক সেকমাই পি এস অমসুং হৈরোক, **ককচীং দিষ্ট্রিক্ট**- পল্লেল পি এস কেম্পস, শুগুনু পি এসকী মনুং চনবা খোংনাং ফৈশাবী খুল, শুগুনু মমাং লৈকায় পেদ্দি ফিল্ড, সেরৌ নিংথেম হিদেন, সেরৌ অৰাং লৈকায়, **চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট**- রিজার্ভ লাইন/দি ঐচ ক্যু, সঙাইকোট পুলিস ষ্টেসন, সিংহাট পুলিস ষ্টেসন, বেহিয়াং পুলিস ষ্টেসন অমসুং তুইবোং এরিয়া, **কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট**- সাইকুল পি এস, কাংপোকপী পি এসকী মনুং চনবা বেথেল, কাংচুপ পি এসকী মনুং চনবা খারম ভাইফৈ, গমনোম সপরমৈনা পি এসকী মনুং চনবা গম্ফিগাই, ইকৌ, টি ভাইচুং অমসুং কোটলেন্দ, **তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট**- মচি পি এস, মোরে পি এসকী মনুং চনবা এ দি সী কমপ্লেক্স, সাইবোমগী ১১-আই আর বিগী লম, **নোনে দিষ্ট্রিক্ট**- জৌজাংতেক, **তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট**- কাইমাই, ওল্ড কাইফুন্দাই, **জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট**- সোতোবেক্রা, বোরোবেক্রা, **সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট**- মরাম খুনৌ অমসুং তফৌ, **উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট**- লিতান পি এসনি।

## গভর্ণরনা ইদ-উল-জুহাগী পাউজেল পীরক্লি




**ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচএনএস) :** মহৌশাগুম্না ইস্লাম লাইনীং চৎপশিংগী ইদ-উল-জুহাগী কুম্মৈ লাকপদা মণিপুরগী মীয়াম মরু ওইনা মুস্লিম ইচিল ইনাওশিংদা গভর্ণর অনুসুইয়া উইকেনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

‘ফেষ্টিবেল ওফ সেক্রিফাইস’ হায়না ৱাহন্থোক পীরিবা কুম্মৈ অসিনা মীওই অমগী চাউথোকপা অমসুং মশাগীতা খনবা অপীকপা ৱাখল্লোনগী মথক্তা পূম্নমকপু য়াইফহন্নবগীদমক কথোকপগী থৌনা হেনগৎহল্লি। কুম্মৈ অসিনা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## দেসামনা মফম ২দা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর, কম্মিস্নর অমদি দিরেক্টরগী মীতম মৈ থাখ্রে



**ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্কী স্কুল এদ্যুকেসন দিরেক্টোরেটনা প্রি প্রাইমারি টিচর লৌনবগীদমক লৌখৎলক্লিবা থবক থৌওংশিংবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লুবা দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইএন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) গী থৌমী অহুম ফাজিন্দুনা ঙরাং পুলিসনা মখোয়গী কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রবা মতুংদা ঙসি মহৈরোয় লূপ অসিগী মহৈরোয়শিংনা তোঙান তোঙানবা মফম অনীদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ বসন্তকুমার, কম্মিস্নর এম হরেকৃষ্ণ অমসুং এদ্যুকেসন (এস) কী দিরেক্টর এল নন্দকুমারগী মীতমশিং মৈ থাদুনা মখা তাবা খোঙজংশিং চঙশিনখ্রে।

ঙসিগী খোঙজং অসি দেসাম, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল অমসুং লূপ অসিগী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মহৈরোয়শিংনা চঙশিনখিবনি।

খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিংনা মথৌ মশক খঙদ্রবা অমোৎপা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর, কম্মিস্নর ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## গভর্ণরনা প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমু ১সুং হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ উনদুনা মণিপুরগী মতাংদা খন্নখ্রে



**ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচএনএস) :** হন্দক পাঙথোকখিবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলগী মতুংদা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা নরেন্দ্র মোদিবু অহুম্লকশুবা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবগা লোয়ননা মহাক্কী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিংগীসু ৱাশক লৌখিবা ঙসি নুমিৎ ৮নি শুরকপদা গভর্ণর অনুসুইয়া উইকেনা প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমু অমসুং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ উনদুনা মণিপুরদা হৌজিক মায়োক্নরিবা তোঙান তোঙানবা ফীভমশিংগী মতাংদা ৱারী শানখ্রে।

গভর্ণরনা প্রসিদেন্টগা উনরদুনা হন্দক ষ্টেট অসিদা মায়োক্নখিবা ঈশিং ঈচাওনা থোকহনখিবা অমাঙ অতাশিংগীদমক রিলিফ অমসুং রিহেবিলিটেসন পীবগী মতাংদা খন্নখি। হীরম অসিদা নত্তনা মণিপুরগী চীং অমসুং তমদা হাংলিবা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লিবা লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিংনা মায়োক্নরক্লিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## নম্বোল লাংপোকতা দুকান মরি মৈনা চাকখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচএনএস) :** বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নম্বোল পি এসকী মনুং চনবা লাংপোক লল্লোংদা ঙরাং নুমিদাং পুং ১১ রোম তারকপদা দুকান অমা মৈ চাক্লকপদগী মথং মথং শম্নরক্তুনা পূন্না দুকান মরি মৈ চাকখিবগী মনুংদা দুকান অনীদি কনবা ঙমহৌদনা তুম্না চাকখ্রে হায়রি।

পাউ অসিনা হায়বদা অহানবদা লং য়োনবা দুকান অমা মৈ হৌদুনা চাক্লকখিবনি। মৈ অদু ইলেক্ট্রিক সোর্ট সর্কিটতগী ওইগনি হায়রি। অদুগা মৈনা তুম্না চাকখ্রবা দুকান অনীদুনা নোংথোন্বম ইন্দ্রমনিগী লং য়োনবা দুকান অমা অমসুং নোংথোন্বম সমিতা, ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## ঙসিদগী রাজ মেদিসিটিদা মহৌশাগুম লায়েংবা হৌরগনি

**ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচএনএস) :** সাইক্লোন রিমালগী ঈশিং-ঈচাওনা থুমজিনখিবনা মরম ওইরগা অনা লায়েং চথবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরকপদগী চয়োল অনী হেন্না অনা লায়েংগী থবক লেপ্পুরবা মতুং হয়েংদগী রাজ মেদিসিটি অমুক হন্না হাংদুনা মহৌশাগুম লায়েং চথবা হৌরগনি হায়না লায়েংশঙ অসিগী চ্যেরমেন অমদি মেনেজিং দিরেক্টর ডা. হাওবিজম রাজেননা ফোঙদোকখ্রে।...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## জুন ১৮ : থৱায়না পোন্থা ওইখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎনবা শেম শাবা লোইরে



**ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচএনএস) :** অদুঙৈ কুমজা ২০০১দা ইন্দিয়া লৈঙাক্কা সিজ ফায়র তৌনদুনা পিছ টোক চথরক্লিবা নাগালেন্দগী লালহৌলূপ এন এস সী এন-আই এমগা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মীহুৎশিংগা বেঙ্কোক্তা পাঙথোকখিবা মীফমদা সিজ ফায়র চৎনগদবা মফমশিংবু ‘ৱিদাউথ টেরিটোরিএল লিমিট’ হায়বা ৱাহৈ অহুম হাপচিল্লুবদগী চহী লিশীং ৩৪০০ হেনবগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা মণিপুরগী অপূনবগী ঙমখৈ কায়রক্লগদ্রা হায়বগী মীপাইরদুনা মীয়াম্না হৌখিবা জুন ১৮গী খোঙজংদা মরৈবাক মরমদম মণিপুরগীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা অথৌবী ১৮গী মফমদা ইকায়খুম্ন বা উৎতুনা হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী থৌরম কুমসি চহীগীসু মপূং ফানা পাঙথোক্লবা শেম শাবা লোইখ্রে।

থৌরম অসিগী মাঙওইননা ২৩শুবা দি গ্রেট জুন অপরাইজিং, য়ুনিটি দে ২০২৪গী কনভিনর প্রটাপ লৈশাংথেম্না থোরকপা চেরোল অমনা হায়, কুমজা ২০০১গী জুন থাদা মপূং ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ওপোজিসনদা দেপ্যুটি স্পিকরগী পোষ্ট পীরক্লোইদবা ওইরবদি স্পিকরগী পোষ্টকীদমক লম্বা তৌনগদৌরি

**ন্যু দেল্লী, জুন ১৬ (এজেন্সী) :** হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ৱাশক লৌখিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্কী অহানবা ওইনা থা অসিগী ২৪দগী হৌরগা মথং থাগী ৩ ফাওবা চথগদৌরিবা নুমিৎ ৯নিগী অখন্নবা পার্লিয়ামেন্টকী সেসন অসিগী মনুংদা খনগদৌরিবা লোক সভাগী স্পিকর অমসুং দেপ্যুটি স্পিকরগী মীখলদা করিগুম্বা বি জে পিগী এন দি এনা লুচিংবা লৈঙাক্না ওপোজিসনগী মায়কৈদা দেপ্যুটি স্পিকরগী ফম থিন্দোক্লক্লোইদবা ওইরবদি ওপোজিসনগী মায়কৈদগী স্পিকরগী মীখলদা শরুক য়ারগনি হায়রি।

ৱাফম অসি কোংগ্রেসনা লুচিংবা আই এন দি আই এ ব্লোককী মায়কৈদগী ঙসি নেসনল মীদিয়াশিংদা ফোঙদোকখিবনি।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ২৪দগী হৌগদৌরিবা লোক সভাগী মীফম অসিগী মনুংদা থা অসিগী ২৬তা স্পিকর খন্নবগী ইলেক্সন পাঙথোক্কদৌরিবনি। অদুগা নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইদুনা ১৭শুবা লোক সভা মীখল মতুংদগী লিংলকখিবা লৈঙাক অদু হন্দক্কী মীখল অসিগী রিজল্ট লাউথোক্লবা মতুংদা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা দিজোল্ব তৌখিবদগী লোক সভাগী স্পিকরগী ফম হাঙদুনা লাকখিবনি। মমাঙগী টর্মদদি দেপ্যুটি স্পিকরগী ফম মেনশিনখিদবনি।

অদুম ওইনমক হন্দক্কী টর্ম অসিদদি কোংগ্রেসনা লুচিংবা আই এন দি আই এ ব্লোককী মায়কৈদা এম পি ২৩৩ লৈরক্তুনা হান্নদগী হেন্না মপাঙ্গল কনবা ওপোজিসন পার্টি ওইরকপদগী দেপ্যুটি স্পিকর নৎত্রগা স্পিকরগী ফম লৌননবা হোৎনরকপনি।

হন্দক্কী মীখলদা সিট ২৪০ ফংখিবা বি জে পিনা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি ওইখ্রবসু লৈঙাক পায়বা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## মণিপুরদা দ্রোনগী বেট্টরি ১০ পুশিন্নবা হোৎনরম্বদা চেন্নবা অসামিজ ১সু ফারে

**ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৪দা অসাম পুলিসকী স্পেসল টাস্ক ফোর্সনা নেসনল হায়ৱে-২৭কী সোনাপুর টোল গেটতগী মণিপুরদা পুশিন্নবা হোৎনরম্বা দ্রোনগী বেট্টরি ১০ অমসুং শেল ওইনা লুপা ৩,৪০,০০০গা কোন্ননা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী গমনোম সপরমৈনা পি এসকী মনুং চনবা গমঙাই খুলদগী খাইগৌলেন কিপগেন (২৭) অপোকপা হেমসাট কিপগেন কৌবা মীওই অমা ফাখ্রবা মতুংদা মণিপুরদা লোগী ৱাংমদা অসিগুম্বা মখলগী পোৎলমশিং পুশিন্নবা হোৎনরম্বদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অমসু স্পেসল টাস্ক ফোর্সনা ফাগৎলে হায়রি।

ফারবা মীওই অদুগী মমিং সঞ্জিবকুমার মিশ্রা কৌই, গুৱাহাটিগী নুনমাতিদা লৈবনি হায়রি। মহাক্না মণিপুরদা ওপরেট তৌরিবা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিংদা অসিগুম্বা এদভান্স টেক্নোলোজিগী পোৎলমশিং অসি পীবদা মতেং পাংলম্বনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা গুৱাহাটিদা লৈবা অসাম পুলিস হেদ ক্বার্টরদগী থোরকখিবা চেরোল অমনা ফোঙদোরকপদা ফারবা সঞ্জিবকুমার মিশ্রানা অসিগুম্বা পোৎলমশিং মণিপুরগী টেররিষ্ট গ্রুপশিংদা সপ্লাই তৌবদা চেন্নৈ হায়বা খুদম চাংদমগা লোয়ননা ফংলে। মহাক্না মতেং পাংলম্বশিংগী মনুংদা দ্রোন টেক্নোলোজিগী পোৎলমশিং য়াওই হায়রি।

মরম অসিনা মহাকপু আই পি সী সেক্সন ১২১ অমসুং অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্টকী মরী লৈনবা সেক্সনগী মখাদা ফাবনি হায়রি।

## ইস্কোন মণিপুরগী কাং

**ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচএনএস) :** হৌজিক মণিপুরগী ওইরিবা ফীভম অসি য়েংজরগা ইস্কোন মনি মন্দির কমপ্লেক্স মনুংদা কুমসি চহীগী ২৪রক শুবা শ্রীশ্রী জগনাঠ রথ যাত্রা ফেষ্টিবেল লাইগী ওইবা থৌরম খক্তমক ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়না ইন্টরনেসনল সোসাইটি ফোর কৃষ্ণ কন্সিয়সনেস, হরে কৃষ্ণ লেন, এয়রপোর্ট রোদ (সঙাইপ্রৌ)গী মাকৈদগী টেম্পল প্রসিদেন্টনা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## কাংপোকপীদা য়ুহা হাখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুংথিল পুং ১.২১ তারকপদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা রিক্টর স্কেল ৩.৫ য়ৌনা য়ুহা হাখ্রে হায়না নেসনল সেন্টর ফোর সৈসমোলোজিনা ফোঙদোরক্লি। অদুম ওইনমক য়ুহা হাবা অসিনা মরম ওইদুনা অমাঙ অতা অমত্তা থোকখিদে হায়রি।

## নুপাগী হকচাং ১ লৈরম্লে

**ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচএনএস):** ঙসি অয়ুক পুং ১০ রোম তারকপদা নোর্থ এ ও সীগী ফেসন হাউস মনাক্তা নুপাগী অশিবা হকচাং অমা লৈরম্লে। মহাক মতৌ করম্না লৈখিদবনো হায়বা খঙদ্রি।

অদুম ওইনমক ইম্ফাল পি এসনা অন নেচরেল দেথকী কেস নম্বর ১১/আই পি এস/২০২৪ অন্দর সেক্সন ১৭৪ সী আর পি সী সুও মোটুদা লৌখৎলে হায়রি।

লৈখিদ্রবা মীওই অসিগী হকচাং মশক খঙদোক্লগা পোষ্ট মের্টেম এগজামিনেসন তৌনবগীদমক রিমসকী মীরেলশঙদা থম্লে। কনাগুম্বশিংনা থা অসিগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা ক্লেম তৌরদ্রবদি লোগী ...মখা লমায় ৩ কলম...

## ‘কুকিশিংনা করিসু তৌরোই কিগনু হায়রম্লগা য়ূম মৈ থাবা হৌরকখিবনি’

### হকথেংনবা পাউদম
চুড়াচান্দপুরগী খুঞ্জা অমা

(ঙরাংগী মখা...)

চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী খুগা তম্পাক্তগী লাঞ্জেল্লক্তুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নিংথৌখোংদা লৈবা মাঙ্গোল ঙানবী কোলেজদা হাংলিবা রিলিফ কেম্প ওন প্রজেন্ট সিচুএসনদা চঙজফম লৌরক্লিবী থৌদাম অনিতানা মখা তানা হায়, ঐখোয় লৈকায়দা লৈবা কুকি পূম্নমক নুপী য়াওনা নোংমৈ পায়দুনা কাপ্তুনা তাল্লকপদগী ম্যেন রোদ লোমদা চেনগদবসু মখোয়না থৎচিন্দুনা লৈখি। মদুদগী তুরেল তাবা লম্বীরোমদা চেল্লকখি। তুরেল অদুসু নুমিদাংগী অমম্বা মরক্তুদা ইরোইবা হৈবোই-হৈতবোই চেল্লকখিবশিং অমগা অমগা মতেং পাংনরগা লাম্থোরক্তুনা তুরেল ৱাংমদা তাবা মীতৈ খুল অদুগী মীতৈ সোসাইটিগী কম্যুনিতি হোলদা থুংখি।

নুমিৎ অদুসু লুহোংবা অমা য়াওরম্বনি অদুবু ঈৱাং অদুনা লুহোংবগী থৌরম অদু মপূং ফানা লোইশিন্দনা অদুমক তোকখ্রে। ঐখোয়না লৈরিবা মফম অদুদা লুহোংগদৌরিবা বর অমসুং কৈন্যা য়াওনা পূন্না লৈমিন্নখি। নুপী অঙাংশিংনা কম্যুনিতি হোলদুদা লৈরগা নুপাশিংনা মফম অদুদা লৈরম্বা উকোক ৱাকোক পায়রদুনা কুকিশিংবু তানখায়গনি হায়না হৌনবা নাইদনা মমিৎতা মপি তানা লৈনখি। অহিংগী নোংয়াই মতুং পুং ১ মুক তারকপা অদুৱাইদা কুকিশিংদি মখূৎতা মতিক চাবা খূৎলায় পায়রগা লান্দারকপনিনা উকোক-ৱাকোক পায়খিবা মীতৈ নুপাশিং অদু মমিৎতা মপি তানা কপ্লগা অমুক হঞ্জন্নরকখি।

ঐহাক্কী ইবুংগা ইপ্পাগসু নাওরিনা পান্দুনা পিশুম অমদি মখোঙ-মখূৎতা শোক্লে হায়দুনা ঈ থোক্লগা চঙলকখি। অহিং অদুমা য়াম্না ৱানা মফম অদুদা লাঞ্জেল্লকখিবা পূম্নমক চরা হেল্লগা কপ্না-লাউনা তৌদুনা লেনখি। নোংঙাল্লকপদসু চানীংঙাই লৈতবনা ময়াম করিমত্তা চাখিদে। অদুবু নুংথিল পুং ৪ রোম তারকপা অদুৱাইদা বি এস এফ লাক্তুনা ঐখোয়বু লৌথোকপীরখি। বি এস এফকী গাড়ী অনীদা ঐখোয় ময়াম অদু হোন্দোক হোঞ্জিন তৌখি। অদুগা চুড়াচান্দপুরগী মিনি সেক্রেটরিএটতা থুংলখি।

মফম অদু য়ৌরকপগী লম্বীদসু কুকিশিংনা বি এস এফকী গাড়ী থৎতুনা মীতৈ পুখিবা য়ারোই হায়না নূঙনা থোমজিল্লকখি, নাওরিনা কাপশিল্লকখি। য়াম্না ৱানা নাম্থোরকখি। মিনি সেক্রেটরিএটতা চয়োল অমমুক লৈরবা তুংদা হৌজিক লৈরিবা রিলিফ কেম্প অসিদা য়ৌরকখিবনি। মফম অদুদা লৈরিঙৌদা নুমিৎ খুদিংগী কুকি নুপা নুপীশিং লাক্তুনা মীতৈশিং থম্বা য়ারোই হায়দুনা গেট কাওখাইবা, চেকপল ৱাংমদগী নূঙ অমসুং নাওরি থোমজিল্লকপা কাপশিল্লকপা কয়া তৌখি। বি এস এফশিংদুগী মনুংদা য়াওবা মীতৈশিংদুদা কুকি বি এস এফশিংনা মীতৈ খক্তমক চাক পীজবা য়াব্রা, কুকিসু লোইনা ৱারিবনি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোক্লরকপদগী মখোয় মশেল খৎন-চৈনবসু য়াওখি। মদুগী মতুং মফম অদুদা লৈবা মীতৈ ঐখোয়দি নুপা-নুপী, অহলশিং পূনশিন্দুনা মীটিং তৌরবা মতুংদা চুড়াচান্দপুরগী দিসীদা কন্না তকশিন্দুনা ক্বাক্তা ফাওবদং ওইরবসু থিনবীয়ু হায়জখি।

মে ১২দা থিনবীরগনি হায়রকপদগী ঐখোয়বু মোইরাং ফাওবা পুবিরকখিবনি। মোইরাংদগীদি ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

## কুকি টেররিষ্টশিংনা লান্দারকখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা এপ্রিল ১২দা কুকি টেররিষ্টশিংনা লান্দারকখ্রবা মতুং ঙসিসু তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মচি পি এসকী মনুং চনবা পেঞ্জাংদগী কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈগী খুলশিং তম্না এটেক চথরকপদগী খুল ঙাকপশিংগী মরক্তা অকনবা মথংদা খূৎ থোক্লখ্রে হায়রি।

ঙসি নুংথিলদগী হৌরগা থোকখিবা থৌদোক অসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা চথখি। অদুম ওইনমক নাকল অনীগী মায়কৈদা অশোক অপন য়াওবগী পাউদি ফংবা ঙমখিদে।

## জে দি-য়ু মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটনা হরাওবা ফোঙদোকখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুংথিল পুং ২ তারকপদা ইম্ফাল ইষ্টকী পেলেস কম্পাউন্দগী শ্রীশ্রী গোবিন্দজি রোদতা লৈবা জনতা দল য়ুনাইটেদ, মণিপুর য়ুনিটকী ওফিসতা পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ বিরেননা ময়ায় তাংবল লৌদুনা পার্টিগী ওফিস বিয়ররশিংগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

মীফম অসিদা হন্দক পাঙথোকখিবা ১৮শুবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫